**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-12-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-চিং তম অনিমক থোং মান্ননা চাউখৎলবা অমদি ঐখোয় মশেল অমনা অমবু ইকায় খুমরবা মতমদতা অপুনবগী শক্তম শাগৎপা ঙমগনি। ৱাফম অসি সেনাপতি জিলাগী পুনা-নাম্মৈ খুলগী অসুফি রোভেনা গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা রোবে-নানি ২০২৪ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

রাজ্য সরকারগী পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট অমদি য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-চীংগী লম চাউখৎতনা মনিপুর চাউখৎপা য়ারোই হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা চিংদা চৎশি মীসন হৌদোক্কুনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। মদুগী মনুংদা, সেনাপতি জিলাদসু ইন্দিজিনস স্পোর্টস কমপ্লেক্স, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ স্কিলিং, ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট সেন্টর অমদি এক্সত্রো তর্ব গ্রাউন্দ য়াওনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

সেনাপতি, উখ্রুল, তমেংলোং অমসু চান্দেল জিলাদা হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবগাদমক এম.আর.আই. অমদি সি.টি. স্কেন মেছিনশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা অনা-লায়েংদা চংবা খুৎশু খুৎলায় কয়া থমখ্রে হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা থা ১৯ লোম অসিদা রাজ্য অসিদা থোকিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসিনা চাউখৎ থৌরাংদা খোঙজেল তপথহন্নবগী মরম ওইরি। অদুবু, হৌজিক্তি তপা তপা ফিভম ফগৎলকপগী মমি তারি।

মনিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরক্কুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎতুনা ঐখোয় পুন্না

অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নানা লৈমিন্নবা হোৎনবদা সেনাপতিগী মীয়াম য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিং মরুওইনা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল অমদি মহৈরোইগী লুপশিংগী থৌদাং চাউনা লৈ হায়নসু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা মখা তাখি।

অমরোমদা, ফুরুপ খুদিংমক্কী ওইবা কৈথেল অমা শানবা থৌরাং তৌরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোংদোকখি। মহাক া হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং য়াওনা মতম কয়াগী মমাংদগী লৈরক্লবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগীদমক সরকার অসিনা তুংগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাকখিবনি। অপুনবগী শক্তম শাগৎতুনা অমগা অমগা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা য়েলহৌ ফুরুপ ২৪-২৫ রোম য়াওনা মতম কুইনা লৈরক্লবা ফুরুপশিং মশক তাকপা য়ুমশিং য়াওবা সঙাই ইথনিক পার্ক সরকার অসিনা শাখি। মখা তানসু অপুনবগী শক্তম কায়দনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি। ফুরুপ খুদিংমক্কী ওইবা কৈথেল অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈকোলদা শানবা থৌরাং তৌরি। মসিদা ফুরুপ খুদিংমক্কী স্তোলশিং থমগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি লোয়শিনদুনা রাজ্য অসিদা অথুবা মতমগী মনুংদা মহৌশাগী ফিভম অমদি শান্তি পুরকবা তকশিল্লদুনা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়াদা ঙসি মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা দাবীশিংগী মনুংদা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্প অমদি অতৈ মফমশিংদা লৈরিবা ইন্টরনেলি দিসপ্লেস পার্সনশিংবু খুদক্তা মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহনবা, রাজ্য অসিগী চিং অমদি তম্পাক্কী জিলাশিংগী মরক্তা মীয়ামনা মনিং তমা চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙমবা মতিক চানা সেক্যুরিতি থম্বা অমদি রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি মহৌশাগী ফিভম অথুবা মতমগী

মনুংদা পুরকপনচিংবা য়াওরি।

মদুগী মমাংদা, কংগ্রেস দলনা লৈবাক পুম্বদা চখৎবা মার্চ টু রাজ ভবনগী খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা ইম্ফালগী রাজ ভবন তমা চংশিন্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অথিংবা পীবদগী চাউনা মুকবগী থৌওং থোকখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**---সিগনেচর ট্যুন---(গোং)**

**লীলা (এল)ঃ** ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা নুমিৎ ৫ নি চুপা চখৎরকপা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল ২০২৪ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী মখাদা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমসুং মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেল অসিদা নুপাগী লীলা মণ্ডা অমসুং নুপীগী লীলা মণ্ডা পুন্না লীলা তরা উৎখি।

ঙসি ফেষ্টিবেলগী অরোইবা নুমিৎতা নুপীগী লীলা কাংলুপ্তা ওলটরনেটিব ঠিয়েটর গ্রুপকী কল্পনা শ্বাম্বর অদুগা নুপাগী কাংলুপ্তুনা সমাদোন আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী মোরান্বী অণ্ডাওবী উৎখি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর) গী মীওই অহুমনা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা জিরিবামদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিংগী মহে মশিং তম্বা অমদি হকশেলগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অদুনা রিলিফ কেম্পশিং অমদি চিলদ্রেন হোমনচিংবদা চৎতুনা মখোয়গী ৱাকৎ কয়া তারবা তুংদা ঙরাং অমদি ঙসি কেম্প সিটিং অনি

পাঙথোকখি।

জিরিবামগী ম্যুনিসিপাল গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম.সি.পি.সি.আরগী চেয়ারপার্সন-কে. প্রদিপকুমারনা হায়-কুমশি চহিগী ঐচ.এস.এল.সি. পরিক্ষা থাগদবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিং শাফগদবা মফমদা লৈহনদুনা পরিক্ষা থাহন্নবা মরি লৈনবশিংদা তকশিনখি।

রিলিফ কেম্পশিংদা নুপী অমদি অঙাংশিংগী তোঙানবা লেত্রিন অমদি টোইলেট থম্বগা লোয়ননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা লৈফম থোকপা ডাক্তর অমদি ইনফাষ্ট্রকচর লৈহন্নবসু তকশিল্লি।

**সনামহি(এল)ঃ** সনামহি লাইনিংগী পোকপা, লুহোংবা অমসুং কোরৌ নোঙ্গাবগী থৌরমশিংগী মতাংদা নুমিৎ ১৫ নি চুপা চত্থরকপা ৱার্কশোপ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডনা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগা খুৎশমদুনা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা চত্থরকখিবা ৱার্কশোপ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রোনা হায়-জাতি খুদিংমক্কী ওইনা হেক পোকপদগী হৌরগা লুহোংবদগী শিবা ফাওবগী তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোলগী চৎনবীশিং লৈজে। লমদম অসিগী ওইনসু ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্কবা চৎনবীশিং ঐখোয়না য়োকখৎতুনা থম্বা তঙাইফদে। লৈরল্লিবা চৎনবীশিং অদু শেমদোকপা অমদি চুমথোকপগী মহুৎতা ইপা ইপুশিংনা থল্লিবা চৎনবীশিং ঙাকা চৎসি হায়খি।

**মীফম(এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস (আইটুক) মনিপুরগী মশা লুপ অমা ওইরিবা ওল মনিপুর মাইনোরিতি অন-ওর্গনাইজ ৱাকরস য়ুনিয়ননা শিনদুনা য়ুনিয়ন অসিগী রাজ্য থাক্কী মীফম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী

সঙ্গাইয়ুন্থম পার্ট টু চেরাপুর ময়াহ্ লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

**এৱার্ড(এল)ঃ** সাহিত্য একাডমীনা কুমশি চহিগী ওইনা লোল ২১ গী সাহিত্য একাডমী এৱার্ড ফংগদবশিং লাউথোকখ্রে। মনা ফংগদবা মীওইশিংগী মনুংদা মনিপুরগী হাওবম সৈত্যাবরতি য়াওরি। মহাক্কী শৈরেংগী লাইরিক 'মাইনু বোরা নুংশি শৈরোল' লাইরিক্কীদমক মনা অসি ফংগদবনি।

মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ অমা কোরিগী প্লাগ অমা অমসুং সাল অমা য়াওরি। মনা অসি মথং চহিগী মার্চ ৮ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা য়েন্থোক্কনি।

**সংসদ** ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ডা: বি.আর. অম্বেদকরবু ইকায়বা পী হায়না মরাল শিরদুনা সংসদকী সভা অনিমক্তা ঙসি বিরোধিনা চরাংনবা থোকহনবদগী সভাগী মীফম য়ৈথোকখি।

লোক সভাদা নুংথিল পুং অনি ফাওবা মীফম য়ৈথোক্লুরবা তুংদা সভাগী মীফম অমুক হৌনবা তৌরকপদা তোঙান তোঙানবা ৱাফমগী মতাংদা বিরোধিগী সদস্যশিংনা পুখৎলকপা এদজোরমেন্ট নোটিসশিং অদু অধ্যক্ষনা লৌখিদে। শ্রী সাহগী ৱাফম অদুগী মায়োক্তা বিরোধিগী এম.পিশিংনা মহাক লাল্লে হায়জগদবনি হায়না খোল্লাউ কয়া লাউখি। সরকার পায়রিবা অমদি বিরোধিগী সদস্যশিংগী মরক্তা ৱাফম অদুগী মতাংদা অৱাই আখুম তৌনদুনা সভাদা চরাংনবা থোকহনবদগী অধ্যক্ষনা সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

রাজ্য সভাদসু নুংথিল পুং অনি ফাওবা মীফম য়ৈথোক্লুরবা তুংদা সভাগী মীফম অমুক হৌনবা তৌরকপদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিনা ডা: অম্বেদকরগী মরমদা ঙাংখিবা ৱাফমগী মায়োক্তা বিরোধি সদস্যশিংনা খোল্লাউ কয়া লাউবা হৌরকখি। পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজনা সদস্যশিংদা সভাগী মীফম চথবা য়াহন্নবা হায়জখি অমসুং পুখৎলক্লিবা বিলশিং খন্ননবা তৌখি। অদুমওইনমক,

বিরোধি সদস্যশিংনা মখা তানা চরাংনবা থোকহনখি।

তুংদা, চরাংনবা মরক্তা চেয়ারমেন-জগদিপ ধনকরনা সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি।

**লেব** ঃ কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-বান্দি সঞ্জয় কুমারনা হায়রি-নেসনেল ফোরেন্সিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইনহেন্সমেন্ট স্কিমগী মখাদা পুন্না লুপা কোতি ৮৬০ হেন্না চংনা অহেনবা সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক সাইন্সকী লেবোরেটোরি তরেৎ লিংখৎপা সরকারনা য়ারে।

রাজ্য সভাদা ঙসি পীখিবা মহাক্কী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়-ষ্টেট ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটোরিশিংদা দি.এন.এ. এনালাইষ্টিস অমসুং সাইবর ফোরেন্সিক কেপাসিতি হেনগৎহন্নবগীদমক সরকারনা লুপা কোতি ২৪৫ লাখ ২৯ কায়থোকপগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি ১৮৫ লাখ ২৮ থাদোকখ্রে।

নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোফিক সবসটেন্সেস, দিজিটেল ফোরেন্সিক, দি.এন.এ. ফোরেন্সিক এনলাইষ্টিস অমসুং ফোরেন্সিক সাইকোলোজিদা ফোরেন্সিকী অনৌবা থৌওংশিং য়াওহন্নবগীদমক লেবোরেটোরিগী মেছিনারি অমদি ইক্যুটমেন্টশিং নীংথিনা ফগৎহল্লে। হৌজিক্কী ওইনা মফম ৮-ভোপাল, চান্দিগর, অসামগী কামরুপ, হায়দ্রবাদ, পুনে, দিল্লি, কোলকাতা অমসুং জম্মুগী শন্বাদা সেন্ত্রেল লেব লৈরি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটোরি ৩২ অমসুং রিজনেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটোরি ৯৭ সু লৈবাক অসিদা লৈরি। লৈবাক অসিগী ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটোরিশিং সাইন্সশিং শমহন্নবা ই-ফোরেন্সিক আই.টি. প্লেট ফোর্ম অমসু লৈরি।

**স্কিম ঃ** কেন্দ্রনা হায়রি-মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট (এম.পি-এল.এ.দি) স্কিম ২০২০ গী এপ্রিল তরুক্তগী ২০২১ গী নবেম্বর ৯ ফাওবা কোবিদ লায়চৎনা মরম ওইদুনা চৎনহনখিদে অমসুং স্কিম অসিগী মখাদা শেনবা চহি ২০২০-২১ গী ওইনা শেনফম অমত্তা কায়থোকখিদে।

লোক সভাদা ইদুনা পীখিবা পাউখুমদা ষ্টেটেষ্টিক এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসন রাজ্য মন্ত্রি-রাউ ইন্দরজিৎ সিংহনা হায়-এম.পি-এল.এ.দি. গাইদ লাইন ২০২৩ ঙসি ইং ২০২৩ গী এপ্রিল অমদগী চৎনবা হৌখি অমসুং মসিদা অনৌবা প্রোভিজন কয়াসু হাপচিনখি। মহাকা হায়-এম.পিশিংনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিতিশিংদা মখোয়গী রিকমেন্দেসনশিং থাগৎখি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিজনা মরী লৈনবা রাজ্য সরকারশিংগী লৈঙাক সাসন অমদি শেল থুমগী ফিভম য়েংলগা থবক পায়খৎখি।

মন্ত্রিনা হায়-শেনবা চহি ২০২১-২২ দা লুপা কোতি মঙাগী মহুৎতা লুপা কোতি অনিখক্তমক থাদোকখি।

**কুশুম ঃ** কেন্দ্রনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি-কিষান উরজা সুরক্সা এবম উথাং মহাভিয়াং (টি.এম-কুশুম) স্কিমগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা রাজ্যশিংগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৪,৩৮৮ কায়থোকখ্রে।

লোক সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা নিয়ু অমসুং রিন্যুয়েবল হনর্জি মন্ত্রি-প্রহ্লাদ যোসিনা হায়-পি.এম.-কুশুম স্কিম অসি ২০১৯ দা হৌদোকখিবনি অমসুং মসি লৌউ শিংউগী লমদা সোল্লর ইনর্জি পীনবগীদমকনি।

**ফুটবোল ঃ** ২৯ লক শুবা সেনিয়ার ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজ মাতা জিজাভাই ট্রোফিদা মনিপুরগী টিম সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী অরোইবা মেটচতা মনিপুরনা তামিল নাদুবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** মরিশুবা মাস্তর ডাক্তর মোইরাংথেম মনাওতোন সিংহ অমদি এম. চন্দ্রসাখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ-২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ই.এম.ভি.এফ.সি. অমদি এন.এল.ভি.এফ.এ. গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

সন্দে এফ.সিনা ফ্লামবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নপসা খা-ইম্ফাল অমদি কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈ মায় পাকখ্রে।

খাঙবোক পার্ট থ্রি পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা নপসা খা ইম্ফালনা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট মরিদা মায়থিবা পীখি। নপসাগী হৈস্নাম বোনিনা বোল ৩৭ তা রন-৪২ লৌবা ঙম্বতা নত্তনা ওভর ৭ তা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমদুনা প্লেয়ার ওফ দা মেটচ তাখি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুং মখোঙবু রন-৩৮ দা মায়থিবা পীখি। কে.এস.দি.ওগী শান্নরোই এম.দি. রেস রাজানা গোল ৯৬ তা রন ৭৮ লৌদুনা প্লে ওফ দা মেটচ তাখি।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা রুল মৈত্রম অমদি এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোক মায় পাকখ্রে।

মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচতা রুল-মৈত্রমনা য়ু.সি.সি. কাংচুপ রোডপু ৱিকেট মরিদা মায়থিবা পীখি। নোংথোম্বম সারোজ কুমারনা ওভর তরেৎতা ৱিকেট মঙা লৌবা ঙমদুনা প্লেয়ার ওফ দা মেটচ তাখি।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমদি ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা অল-অমিন লিলোংবু রন-

১৫ দা মায়থিবা পীখি। সাইখোম কাইকুনা বোল ৩০ দা রন-৩৩ অমদি ওভর তরেৎতা ৱিকেট অমা লৌদুনা প্লেয়ার ওফ দা মেটচ তাখি।

**ক্রিকেট ঃ** ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজনা এল.সি.সি.সি. লিলোং চজিংবু ৱিকেট অহুমদা মায়থিবা পীখ্রে।

থোংজগী দবেন করামনা মেন ওফ দা মেটচ তাখ্রে।